**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 23-09-2026)**

**ঠিয়েটর (এল)ঃ** মনিপুরগী ফোল্ক ঠিয়েটর অমসুং খোংজোম পর্বনচিংবা মাঙখিবা হায়বসি লমদম অসিগী ওইনা অচৌবা মাঙজবা অমনি হায়না শকাইরবা ঠিয়েটর পার্সোনেলিতি অমসুং ফিল্ম মেকর-অরিবম শ্যাম শর্ম্মনা হায়রি।

রাজ্য অসিগী খ্বাইদগী অরীবা ঠিয়েটর অহুমগী মনুংদা অমা ওইরিবা অরিয়ান ঠিয়েটরগী ৯১ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্যাম শর্ম্মনা হায়-হৌজিক্কী মীরোলানা খোঙজোম পর্বগুম্বা য়ামা মরুওইবা শৈশক মশক খঙলক্তবা অসি য়ামা লাইবক থিবনি। করিগুম্বা খোঙজোম পর্ব হায়বা আর্টফোম অসি লৈরমদ্রবদি ঐখোয়না খোঙজোম লালগী মরমদা অমসুং খোঙজোম নুমিৎনচিংবা পাঙথোক্লিবশিং অসি খঙবদা ৱানা থোক্লমগনি। মহাকা হায়-ঐখোয়গী অহল লম্মনশিংনা ঠিয়েটর লিংলম্লিবা অসি মনিপুরগী ঠিয়েটরবু নুংশিজবা অমসুং মসিবু কান্নবগীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা হোৎনজরম্বগী মপালনা ঙসি ফাওবা হিংদুনা লৈবা ঙম্লিবনি।

ইম্ফালগী ৱাহেংবম লৈকাইদা লৈবা মল্টি পরপজ হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরমদুদা ৱা ঙাংলদুনা ইন্দিয়ান কাউন্সিল ফোর কলচরেল রিলেসন্সকী জোনেল দাইরেক্তর-মুনিশ নিংথৌজমনা হায়-মনিপুরগী ঠিয়েটর অসি মখা তানা মালেমগী মফম কয়াদা শন্দোকপগী তঙাইফদবা লৈ। মসিগীদমক ঠিয়েটরগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর নীংথিনা অমসুং মপুং ফানা শেমগৎপা চংই। মসিদা কাউন্সিলনা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি।

থৌরম অদুদা অরিয়ান ঠিয়েটরগী লাইফ মেম্বর অনি অমসুং কুমশি চহি অসিদা লৈখিদ্রবা মেম্বরশিংগী ইমুং মনুংদা ইকায় খুমবা উৎখি। থৌরমগা মরী লৈননা ‘খেঙজোং লান’ ঠিয়েটরগী দাইরেক্তর-সনবম থানিল লৈমনা মনিপুরি

ঠিয়েটরদা অরিয়ান ঠিয়েটরনা লৌরিবা থৌদাং হায়বসিগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

থৌরমদুদা রুপমহল ঠিয়েটরগী ভাইস চেয়ারমেন-লৈতোংবম ব্রজামোহোন সিংহ শরুক য়াখি।

**ম্যুজিয়ম (এল)ঃ** মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়ম লিংখৎখিবগী ৫৭ শুবা ফাউন্দেসন ডে ঙসি পাঙথোকখ্রে।

আর্ট এন্দ কলচর বিভাগনা শিন্দুনা ইম্ফালদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়মদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা আর্ট এন্দ কলচরগী সেক্রেতরি নাওরেম প্রবিন, আর্ট এন্দ কলচরগী হান্নগী দাইরেক্তর ডাঃ কে. সোবিতা অমদি ষ্টেট ইলেক্সন ইলেক্সন কম্মিসনার এম. জোয় শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ম্যুজিয়ম ক্রোনিকল কৌবা বুকলেট অমা ফোংখি অমসুং মনিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়মদা লৈরিবা সনা অমদি অরীবা কল্লেক্সনশিংগী ইগজিবিসন অমসু হাংদোকখি। ইগজিবিসন অসি নুমিৎ নিনি চথগনি।

**বসন্তা (এল)ঃ** এম.এল.এ. থৌনাওজম বসন্তকুমারনা ঙসি নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মনুং চন্না লৈবা নম্বোল লাইতোনজমদা প্রধান মন্ত্রি জন্ন অরোগ্যা য়োজনাগী হেলথ কার্ড ১৪২ য়েন্থোকখ্রে।

আয়ুসমান ভারতনা চহি ৮ মপুং মপুং ফারকপগা মরী লৈননা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী বসন্তকুমারনা হায়-মীওইবগী পুন্সিদা অনা-অয়েক থোরকপা মতমদা শেলগী অৱাবা কয়া মায়োকরিবা অসিগী য়েংলগা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থৌশিল অসি হৌদোকখিবনি। থৌশিল অসিনা ঙসিদি মীচম মীয়ামগী পুন্সিদা অনা লায়েংগী লমদা চাউরবা মতেং অমা ওইরি। কার্ড অসি পায়রবা মীওইশিংনা মনিপুরদতা নত্তনা ভারতকী অতৈ মফমশিংদা লায়েংবা মতমদা লুপা লাখ মঙা মঙাগী কান্নবা ফংগনি।

**পুলিস(এল)ঃ** স্পিসিএল কম্মান্দো য়ুনিটনা ঙসি খোঙমন অতোম লৈরক জোন ফোরদগী মীওই অমা ফারবা মতুং সেকমাই পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে।

মনিপুর পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না, মীওই অসি খোংহামপাৎ এরিয়াদা সেক্যুরিতিশিংদা নোংমৈ কাপশিনবগা মরী লৈনবা এফ.আই.আর. কেস অমগা মরি লৈননা ফাগৎখিবনি। মখা তানা থিজিনবদা মঙোন্দগী এ.কে. রাইফল অমা, ইনসাস মেগজিন অনি, হেন্দ গ্রেনেদ অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু ৭১ ফাগৎলে।

**সনকল্প (এল)ঃ** সেবা সনকল্প অভিয়ান কেম্পেইনগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা নোনে জিলাদা জোনেল এদুকেসন ওফিস-নোনেনা শিনদুনা লাই য়েকপা অমসুং এসে ইবগী চাংদমবা পাঙথোকখি।

মাই ভিজন ওফ ভিক্সিত মনিপুর ২০৪৭ হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা চাংদমবা অদুদা তোঙান তোঙানবা স্কুল ২৫ গী মহৈরোই ২৭০ রোমনা শরুক য়াখি। কেম্পেইন অসিগী শরুক অমা ওইনা জিলা অসিগী হাউচোংদা লৈবা প্রাইমারি হেলথ সেন্টরদা হেলথ কিয়ার ৱাকর অমসুং আশা ৱাকরশিংগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। মখা তানা তেংকোনজাং হয়ার সেকেন্দরি স্কুল, দোমিনি ইংলিস স্কুল অমসুং সেন্টর জোসেপ স্কুল-নোনেদা সবসটেন্স এব্যুসকা মরী লৈননা মহৈরোইশিংবু ভাব তাহনবগী থৌরম অমস্ পাঙথোকখি।

কেম্পেইন অসিগী শরুক অমা ওইনা তেংনৌপল জিলাদা লৈবা নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোস অৱাসিয়া বিদ্যালায়া, হৈনৌখোং অমসুং এক্লভয়া মোদেল রেসিদেন্সিয়েল স্কুল মোরেদসু লাই য়েকপা অমসুং এসে ইবগী চাংদমবা পাঙথোকখি।

থা অমা চুপা চথুগদবা সেবা সনকল্প অভিয়ানগী মখাদা শগোলবন্দ কেন্দ্রগী মনুং চনবা মোইরাং লৈরক্তা সেবা সেতু অভিয়ান পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা মীয়ামদা সরকারগী তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী কান্নবশিং খঙহনখি।

সেবা সনকল্প অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা ৱাংখৈ বিধান সভা কেন্দ্রদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী ফিভম রাজ্য সভা সদস্য-অধিকারিময়ুম সরদা দেবী অমসুং এম.এল.এ. থাংজম অরুনকুমারনা য়েংশিনখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চুরাচান্দপুরনা শিনদুনা থৌরম অসি এস.দি.ও-বি.দি.ওগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখি।

সেবা সনকল্প অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা কাংপোকপী জিলাগী মেদিকেল টিম অমনা কাংপোকপী সব দিভিজনদা লৈবা অঙ্গনৱাদি সেন্টর অমসুং চম্ফাই সব দিভিজনগী মখাদা লৈবা অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

ফেরজোল জিলাদসু থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা অঙ্গনৱাদি কা উৎসব পাঙথোকখি। মদুদা মচি ওইবা চিঞ্জাক, ঈ ৱাৎপগী লায়নাশিংগী মতাংদা মীয়ামবু ভাব তাহনবগী থৌরম পাঙথোকখি।

তমেংলোং জিলাদসু সেবা সনকল্প অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি-তমেংলোংনা দুইগাইলোং খুলদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা মীওই ১১৯ হেন্না লায়েংখি।

**মেলা (এল)ঃ** লৌউ শিংউ বিভাগকী মখাদা এগ্রীকলচরেল টেকোলোজি মেনেজমেন্ট এজেন্সি (এ.টি.এম.এ) থৌবাল অমসুং ককচিংনা শিনদুনা থৌবাল মেলা গ্রাউন্দা ঙসি নোংমগী ওইবা জিলা থাক্কী কিষান মেলা ২০২৬ পাঙথোকখ্রে।

'হেলদি সোইল, হেলদি ফুদ এন্দ সসটেনেবল ফ্যুচর' হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা মেলা অদুদা পুন্না স্তোল ২০ লোম হাংখি। থৌরমগী মনুং চন্না বেষ্ট ফামরস এৱার্ডকী মনা অমসুং লৌমীশিংদা স্প্রেয়রশিং য়েন্থোকখি। তুংদা, লৌমীশিং অমসুং সাইন্টিষ্টশিংগগী মরক্তা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

**চান্দেল (এল)ঃ** ৭২ শুবা ৱাইল্ড লাইফ ৱিককা মরী লৈননা খুদক্কী ওইবা লাই য়েকপা অমসুং ৱারেং ইবা চাংদমবগী থৌরম অমা ঙসি চান্দেলগী মহা য়ুনিয়ন গভরমেন্ট হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার-চান্দেলনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা পুন্না মহৈরোই ১০০ রোমনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা মহৈরোইশিংদা উ-চারাশিংসু য়েন্থোকখি।

**ৱার্কশোপ (এল)ঃ** মহৈ মশিং তন্বীবদা আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স (এ.আই) শিজিন্নবা হায়বসিগী মতাংদা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ অমা ইম্ফাল ৱেষ্টকী খা নাউরেম লৈকাই কাঞ্চিপুরদা লৈবা ইবোতোম্বী ইন্সটিট্যুট ওফ এদুকেসনদা পাঙথোকখ্রে।

ইন্সটিট্যুট অসিগী সেমিনার হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা ত্রিপুরা সেন্ট্রেল য়ুনিভরসিতিগী হান্নগী ভাইস চাঞ্চেল্লর অমসুং মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ কর্ম্মসকী প্রোফেসার-গঙ্গা প্রসাদ প্রসাইয়ন, ইন্সটিট্যুট অসিগী প্রিন্সিপাল-ডা: আর.কে. বিজেন সিংহনচিংবা শরুক য়াখি।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ** ৱাটরসেদ সেল কম দাটা সেন্টর (দি.আর.দি.এ) ইম্ফাল ইষ্টনা শিনদুনা নুমিৎ হুমনি চুপা চথুগদবা ইমপ্লিমেন্টেসন ওফ পি.এম.কে.এস.ৱাই. টু পোইন্ট জিরো হায়বসিদা কেপাসিতি বিল্ডিং প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী এস.আই.আর.দিগী ত্রেন্নিং হোলদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা বিনিফিসরি অমসুং লৌমী পুন্না ৮০ রোমনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা মেন্টেনেন্স ওফ এসেতস অন্দর পি.এম.কে.এস.ৱাই. ডব্লিয়ু.দি.সি. টু পোইন্ট জিরো, প্লানিং ফোর এন.আর.এফ. এক্তিভিটিষ্ট অন্দর পি.এম.কে.এস.ৱাই.ডব্লিয়ু.সি. হায়বসিগী মতাংদা অখণ্ড অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

**ইরাবত (এল)ঃ** কমিতি ওন লময়ানবা হিজম ইরাবত রিছার্স এন্দ কোমেমোরেসন লমদিং সঙ্গাইয়ুম্ফমনা শিনদুনা লময়ানবা হিজম ইরাবত নীংশিং থৌরম ঙসি থৌবাল জিলাগী সঙ্গাইয়ুম্ফম কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এম.এল.এ. ও. সুরজাকুমারনা হায়-মনিপুরদা হৌজিক লম কয়াদা শোত্থরিবা অসি ফগৎহন্নবা হোৎনবদা মীয়ামনা মখোয় মখোয়গী মীহুৎ খনবা মতমদা মমা লৈবাকপু নুংশিজবা মতিক চাবা মীহুৎশিং খনবগী তঙাইফদবা লৈ। মহাকা হায়-লময়ানবা ইরাবতনা পামজরম্বা অমনা অমগা নুংশি চান্ননা লৈবা অমসুং অপুনবা মনিপুর অমগীদমক মঙজরম্বা মংলান অদু ঙসিগী মীরোলনা থুংহনবা ঙমবা হোৎনমীন্নরসি।

**এৱার্ড (এল)ঃ** সাহিত্য থৌপাং লুপনা চহি অনি অনি লৈরগা পীবা থিয়াম ইবোচৌবী নেসনেল এৱার্ড ২০২৬ কী ওইনা ত্রিপুরাগী শকাইরবী কলচরেল এক্তিভিষ্ট, অইবী অমসুং সোসিএল এক্তিভিষ্ট -ক্ষেত্রিময়ুম মাধবি দেবীদা পীরগনি।

লুপ অসিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-মনা অসি থা অসিগী ৩০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনেল ত্রান্সলেসন ডেগী থৌরমদা মনিপুর প্রেস ক্লবতা খুৎশিন্নগনি।

**রাস্ত্রপতিঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-নহাশিংগী হোৎনজমননা লৈবাক অসিবু ইং ২০২৭ কী মমাংদা চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইহনবা শোয়দনা ঙল্লগনি।

ৱাফম অসি ঙসি রাস্ত্রপতিনা গুজরাটকী বদোদরাদা লৈবা মহারাজা সয়াজি রাও য়ুনিভরসিতিগী ৭৫ শুবা কনভোকেসন থৌরমদা ফোংদোকখিবনি। রাস্ত্রপতিনা হায়-মহৈ মশিং হায়বসি তন্লিবা ইহৈ অদুবু লৈবাক্কী নৎত্রগা সমাজগী

কান্নবা হীরমশিংদা শিজিন্নরবা খক্তদা তম্লুরিবা ইহৈ অদু মহৈ চারে হায়না লৌগদবনি। ঙসিদি তোঙান তোঙানবা লম কয়াদা টেকোলোজিগী অওনবা কয়ানা খুমাং য়াংনা চংশিল্লক্লি। ঙসি ঙসিমক মালেমগী ওইনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অসি মল্টি দিসিপ্লিনারি ওইবা মীৎয়েংদা য়েংলবতদা থেংনবা ঙমগনি।

মালেমগী ওইবা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা নুপীশিংনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌরকপদসু রাস্ত্রপতিনা লৈবাক অসিগী নুপী ওইবীশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা রাস্ত্রপতিনা মহৈরোই লিশিং ১২,৬০০ তা মখোয় মখোয়গী দিগ্রীশিং খুৎশিন্নখি।

**বিজেপিঃ** রাজ্য ৩৬ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী বি.জে.পিগী থৌ পুগদবশিং লাউথোকখ্রে।

বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট-নিতিন নবিননা রাজ্যশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী দলগী ইন-চার্জ অমসুং কো-ইন চার্জকী মিংশিং ঙসি লাউথোকখিবনি। কেন্দ্রগী হান্নগী মন্ত্রি-স্মৃতি ইরানিবু ছাতিসগর অমসুং হরিয়ানাগী বি.জে.পি. ইন-চার্জ ওইনা থৌ পুরগনি।

হান্নগী মন্ত্রি-রাম মাধপনা তামিল নাদু অমসুং উত্তরাখন্দগী তরুন চুকনা গুজরাটকী, অনিল এনতোনিনা গৱা অমসুং নাগালেন্দগী, ডা: রাজদ্বিপ রোইনা মনিপুরগী ইন চার্জ ওইনা পুরগনি। ডা: রাজদ্বিপ রোইবু মনিপুরগী ইন-চার্জ ওইনা খল্লকপদা বি.জে.পি. মনিপুরনা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

ৱারোল অমদা বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসনা হায়-মহাক্কী লুচিং মখাদা দল অসি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা করিয়াকরতাশিংদা শক্তি পীবগা লোয়ননা মীয়ামগা লৈনরিবা মরী হেন্না চেৎশিলহল্লগনি হায়বগী থাজবা ফোংদোক্লি।

**মিরাবাই (এল):** আইচি নাগোয়া এসিয়ান গেমসতা মিরাবাই চনুনা লুপাগী তকমান লৌরে।

নগোয়াদা পাঙথোকখিবা ৱেথ লিফতিংগী কিলোগ্রাম ৪৯ গী কেটাগোরিদা শাইখোম মিরাবাইনা স্নেচতা কিলোগ্রাম ৮৭ অমসুং ক্লিন এন্দ জগতা কিলোগ্রাম ১১১ পুন্না কিলোগ্রাম ১৯৮ থাংগৎতুনা লুপাগী তকমান ফংখিবনি।

মিরাবাই চনুনা এসিয়ান গেমসতা তকমান ফংবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি।

উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণন, প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, কেন্দ্রগী স্পোর্টস মন্ত্রি-মনশুখ মন্দাভিয়ানননা শাইখোম মিরাবাইনা লুপাগী তকমান ফংল্লকপদা হরাউবা ফোংদোকখ্রে।

রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালা, মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দন, গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজম, হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনসু মিরাবাই চানুনা তকমান লৌরকপদা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

অমরোমদা, ব্লুশু মশান্নগী কিলোগ্রাম ৬০ গী সান্দা ইভেন্টতা নাউরেম রোসিবিনা দেবী ফাইনেল চংখ্রে। মহাকসু শোয়দনমক্কী তকমান অমা ফংলগনি।

মেদল টেল্লিদা ভারতনা সনাগী অমা, লুপাগী মঙা, শেঞ্জেংগী তরুক পুন্না তকমান ১২ ফংদুনা ১৩ শুবা মফমদা লৈরি। চাইনানা সনাগী ৪৭, লুপাগী ২০ অমসুং শেঞ্জেংগী ১০ পুন্না তকমান ৭৭ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি।

**মরাথোনঃ** সি.আর.পি.এফকী ৫৮ শুবা বটালিয়ন অমসুং স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়ানা শিনদুনা চুরাচান্দপুরদা ঙসি সি.সি.পুর হাফ মরাথোন পাঙথোকখ্রে।

হাফ মরাথোন অসি পিছ গ্রাউন্দ চুরাচান্দপুরদগী লমথাখি অমসুং গ্রাউন্দ অসিদা অমুক হল্লকখি। লমজেল অদুদা পুন্না মীওই লিশিং মরোমনা শরুক য়াখি।

**ফুটবোল ঃ** ২৩ শুবা কে.এস.ঐচ. লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি ককচিংগী দি.এস.এ. গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা-য়ু.সি.সি. ককচিংনা ৱাই.ডল্লিয়ু.সি. ককচিংবু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-এ.আই.এফ.এ. ইরেংবন্দনা এস.এফ.সি. সুগ্নুবু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখ্রে।

**হোকিঃ** অহুমশুবা দি.জি. অসাম রাইফল হোকি কপ ২০২৬ কী ঙসি খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা নুপীগী মেটচতা-মৈরানা টি.ঐচ.এবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখি।

নুপাগী ওইনা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা-মৈরা-বাসিখোংনা সিয়ো-শিংজমৈবু পাঞ্জল ৪-৩ দা অদুগা এস.এস.বিনা হোকি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাইবু পাঞ্জল ৫-৩ দা থোইখ্রে।